# ওং সান সু চিগী ত্রাইয়ল চথবা হৌখ্রে, লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা মখা তাবা চথগনি



নেপিদো, জুন ১৪ (এজেন্সী) :
মিলিটরিগী মায়কৈদগী করপসন অমদি সেদিসন চার্জ তৌরকখ্রবী ম্যান্মার মীয়ামগী লুচিংবী ওং সান সু চিগী হিয়ারিং চথবা হৌখ্রে। লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা মখা তাবা হিয়ারিং চথগনি হায়না সু চিগী লোয়রনা ফোঙদোরক্লি।

থা মরি রোম মিলিটরিনা হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থল্লকখিবী লুচিংবী অসিগী ত্রাইয়ল চথবা হৌরকপদা মহাক্কী লোয়রনা লুচিংবী অসিগী মায়োক্তা পুথোরকখিবা খুদমশিং অমদি ব্রিটনেসশিং অমসুং ক্রোস এগজামিনেসন তৌনবা কোর্টতা হায়জখি। কোর্টনসু লোয়রগী ৱাফম অদুবু অয়াবা পীখি।

থা মরি হেন্না হাউস এরেষ্ট তৌদুনা লৈরকখ্রবী লুচিংবী অসিবু মহাক্কী লোয়রনা উন্ননবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নখি। হায়রিবা শাংখ্রবা মতম অসিদা অনীরক্তগী হেন্না লুচিংবী অসিগা উন্নবগী তাঞ্জা পীখিদে হায়না মহাক্কী লোয়রনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা লাক্লিবা জুলাই ২৬ ফাওবগী মনুংদা কেস অসি ফাইনেলাইজ তৌনবা হোৎনরি হায়রি।

ম্যান্মারগী কোনুং নেপিদোদা লৈবা স্পেসল কোর্টনা পাঙথোকখিবা হিয়ারিং অদুদা জর্নেলিষ্টশিং চঙবদা অয়াবা পীখিদে। কোর্ট অদুগী অকোয়বদা খূৎলাই মতিক চানা পায়রবা পুলিস পর্সনেল কয়ানা য়াম্না চেকশিন্না ঙাক শেন্নদুনা লৈখি। করিগুম্বা মিলিটরি জুন্টানা সু চিগী মথক্তা চার্জ তৌরক্লিবা মরালশিং অসিনা মরম ওইরগা মহাকপু কনভিক পীরবদি য়ামদ্রবদা চহী ১০ হেন্না জেলদা লৈরবা য়ানা লৈরি।

লৈবাক অদুগী মিলিটরি লুচিংবা মিন অং লাইংনদি নেস্নেল লীগ ওফ দিমোক্রেসি পার্টিগী লুচিংবী অসিবু মপুন্সি চুপ্পা জেলদা থাজিন্দুনা থম্বা পাল্লি। লুচিংবী অসিনা মীয়াম্না লান্না উহন্নবগীদমক মহাক্কী মায়কৈদগী অঙম্বা উপাইশিং তৌরক্কনি হায়বসি খুদিংমক্না খঙনরবা ৱাফম অমনি। মরম অদুনা মীয়াম্না মতম পুম্বদা মীৎকুপ নাহুম শিংনা লৈবা মথৌ তাই।

ঙল্লিঙৈ মতমদসু সু চি মমাংদা লৈরম্বা মিলিটরি জুন্টানা চহী ১৫ হেন্না হাউস এরেষ্ট তৌদুনা লাকখিবনি। মদুগী মতুং মায়কৈ কয়াদগী মহাক থাদোরক্লবা অকনবা প্রেসর লাকপদগী হৌখিবা কুমজা ২০১০ দা মহাকপু থাদোরকখিবনি। ম্যান্মারদা মিলিটরিনা কা হেনবা থবক থৌওংশিং চথখিবা অদুগী মতাংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লুনা সু চিনা মতম শাংনা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাকখিবনি। মীয়ামগী খোল্লাও পুদুনা খোঙজং চঙশিনখিবগীদমক ইন্তর নেস্নেলশিংনা মহাকপু মশক খঙবা হৌখিবনি। অমরোমদা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী রাইটস চীফ মাইকেল বেচলেটনা মিলিটরিদা হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবগী ফীভম অসি মিলিটরিনা থোকহনবনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

# বেঞ্জামিন নেটান য়াহু মফমদগী ইনথুখ্রে, নফটালি বেনেটনা ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরগনি

জেরুসালম, জুন ১৪ (এজেন্সী) :
ইজরেলদা মতম খ্বাইদগী শাংনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইদুনা লাকখিবা বেঞ্জামিন নেটান য়াহু হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা পাঙথোকখিবা ভোটতা মায়থিবা নংখিবগা লোয়ননা মহাক প্রাইম মিনিষ্টর ফমদগী পোখাখ্রে। লৈবাক অদুগী মমিং লৈরবা হান্নগী টেক মিল্লিনিয়র অমসু ওইরিবা নফটালি বেনেটনা ইজরেলগী অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরগনি।

মশাগী চহী ৭১ রোম শুরবা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর নেটান য়াহু ইলেক্সনদা মায়থিবা নংলবা মতুং মহাক্না ফোঙদোকখিবদা মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না মহাক ওপোজিসনদা লৈগদৌরিবা অসিদা নিংঙম্বদবা ফাওদে। অথুবা মতমদা নৌনা লাক্লিবা ফত্তবা গভর্ণমেন্ট অসিবু অমুক হন্না মায়থিবা পীদুনা অফবা লৈঙাক অমা অথুবদা শেম্নবা হোৎনগনি।

বেঞ্জামিন নেটান য়াহুবু শৌগৎপা মীওইশিংনা হায়খিবদা নোংমাইজিং নুমিত্তা পাঙথোকখিবা ইলেক্সন অদুদা অরানবা থবক কয়া চথখিবগী খুদম চাওনা ফংই লোয়ননা নৌনা খল্লবা নফটালি বেনেটবু ক্রাইম মিনিষ্টর হায়না মিংথোন পীখ্রে।

ইজরেলদা মমিং লৈরবা পোলিটিসিয়নশিংগী মনুংদা নেটান য়াহুসু অমনি। মতম শাংনা ইজরেলদা মহাক্না পৱার পায়রম্বগা লোয়ননা শিংথানিংঙাই ওইবা থবক থৌরম কয়া তৌরমখি হায়না মহাক্কী সপোর্টরশিংনা ফোঙদোক্নখি। অতেনবা মতমগী মনুংদা নেটান য়াহু ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর অমুক হন্না ওইরক্কনি। লাক্লিবা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অসি অরানবা মওংদা শেমখিবা ওইবনা মতম শাংনা লেপ্তুনা লৈবা ঙম্লোই হায়নসু ফোঙদোক্নরক্লি।



অমরোমদা মশাগী চহী ৪৯ লোম শুরবা বেনেটনা ফোঙদোকখিবদা নৌনা শেমখ্রবা কোলিসন গভর্ণমেন্ট অসিনা পার্টিগী য়েংদনা লৈবাক অদুগী মীয়ামগীদমক থবক তৌগনি। মীয়ামগী থবক তৌনবগীদমক মহাক পোলিটিসিয়ন অমা ওইনা থোরকখিবনি। লৈবাক অসিদা মতম শাংনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইদুনা লাকখিবা বেঞ্জামিন নেটান য়াহুনা মীয়াম্না য়ানিংদবদগী মায়থিবা নংখিবনি।

বেঞ্জামিন নেটান য়াহু হৌজিক হৌজিক করপসন চার্জ কয়া মায়োক্নরিবা মীওই অমনি। মহাক অমদি মহাক্কা চৎমিন্নরিবা মীওইশিং অরানবা মওংদা শেঞ্জা থুমজা কয়া তৌখিবা অমদি মখোয়গা নক্নবা মীওইশিংদা অহেনবা খুদোংচাবশিং পীখিবগী খুদম কয়া লৈ। নেটান য়াহুগী লৈঙাক মতমদা দিফেন্স মিনিষ্টরসু ওইরম্লবা বেনেটনা মখা তানা ইজরেলবু মতম চুপ্পদা ইরানদগী ঙাকথোক্কনি। ইরানননা ন্যুক্লিয়র ৱিপনশিং মপুং ফানা শীজিন্নবা ঙমদনবা ইজরেলনা অকনবা মওংদা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি দিকেদ অমা হেন্না ইজরেলদা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকখিবা নেটান য়াহুবু মীয়াম্না ইজরেলগী মিষ্টর সেক্যুরিটি হায়না খঙনদুনা লাকখিবনি। মহাক মায়থিবা নংখিবা অদুদা ইরানদি হরাও নুংঙাইবা ফোঙদোক্লি অদুবু ইরাননা ইজরেলবু মায়থিবা পীগনি হায়না খল্লিবা ৱাখল্লোন অদুদি মায় পাকপা ঙম্লোই।

## রেষ্টুরেন্ট ষ্টাফ ১৯ দিটেন তৌরুবশিং সস্পেন্দ তৌখ্রে

লাহোর, জুন ১৪ (এজেন্সী) :
পাকিস্থানদা লৈরিবা রেষ্টুরেন্ট অমগী ষ্টাফ অমদা পুলিস পর্সনেল অমনা বর্গর লেম্না পীয়ু য়াদে হায়বগীদমক রেষ্টুরেন্ট অদুগী ষ্টাফ ১৯ পুং ৭ হেন্না দিটেন তৌদুনা থম্বদা চেন্নখিবা পুলিস ওফিসরশিং ঙসি সস্পেন্দ তৌখ্রে হায়রি।

পাকিষ্টানগী মনুং চনবা লাহোরদা চলাইবা জোনি এন্দ জগনু কৌবা রেষ্টুরেন্ট অমদা মথৌ তৌখিবা নহা ওইরিবা ষ্টাফ অমদা অৱাংবা থাক্কী পুলিস ওফিসর য়াওবা টিম অমনা বর্গর লেম্না পীনবা হায়রকপদগী ষ্টাফ অদুনা য়াখিদে। মদুদগী রেষ্টুরেন্ট অদুগী ষ্টাফ ১৯ পুং ৭ হেন্না পুলিসশিং অদুনা দিটেন তৌদুনা থমখি। পুলিসনা দিটেন তৌদুনা থমখিবা ষ্টাফশিং অদু চানা থক্লবা পোৎলম অমত্তা ফাওবা পীজখিদে অমদি মখোয়বু অৱাবা ফীভম অমদা থমখি।

পাকিষ্টানদা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি য়াম্না তোয়না থোক্লি। মখা তানা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা ওথোরিটিগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনবা মথৌ তারি হায়না রেষ্টুরেন্ট অদুগী মপুনা ফোঙদোরক্লি।

মশক মমিং তাকথোক্তবা মীওই অমনা হীরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা রেষ্টুরেন্টদা থবক তৌরিবা অয়াম্বা য়ুনিভর্সিটিদা মহৈ তম্লিবা মহৈরোয় ঙাক্তনি। অয়ুক নুংথিলগী মতমদা য়ুনিভর্সিটি চৎলগা নুমিদাংগী মতমদা থবক তৌরিবা মহৈরোয়শিংদা ওৎ নৈবগী থবক অসি য়ানিংদে হায়রি।

অমরোমদা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা সেনিয়র প্রোভিন্সিয়েল পুলিস ওফিসল ইনাম ঘনিনা ফোঙদোকখিবদা থৌদোক অদুদা চেন্নবা পুলিস ওফিসর ৯ থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখ্রে। কনাগুম্বা অমত্তনা লোবু মশাগী অপাম্বা মতুং ইন্না শীজিন্নবা য়ারোই হায়রি।

## ইন্দিয়াগা অফবা মরী থম্নবা হোৎনগনি

জেরুসালম, জুন ১৪ (এজেন্সী) :
ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটান য়াহুবু ফোর্মর টেক মিলিনিয়র নেফটালি বেনেটনা মায়থিবা পীখ্রবা মতুং অনৌবা শেমগদৌরিবা গভর্ণমেন্ট অসিনা ইন্দিয়াগা অফবা মরী থম্নবা হোৎনগনি হায়না মমিং লৈরবা পোলিটিসিয়ন লপিদনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা নেটান য়াহুনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিঙৈ মতমদা লৈবাক কয়াগা য়েংথিনরমখি। অদুবু হৌজিক্তি মহাক্কী মতম লোইখ্রে। ইজরেলদা অনৌবা লাক্লিবা গভর্ণমেন্ট অসিনা অতোপ্পা লৈবাকশিংগা অফবা মরী থম্নবা হোৎনগনি। মরু ওইনা নেটান য়াহুগী মতমদা মরী ফৎলুদ্রবা ইন্দিয়া লৈবাক্কা অফবা মরী লৈহন্নবা হোৎনগনি।

পনবা য়াবদি লৈবাক অদুদা অনৌবা ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌগদৌরবা নফটালি বেনেটতা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থাগৎ ৱাহৈ ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা উন্ননবা শিল্লগনি হায়খি।

# নেটোদা য়াওরিবা লৈবাকশিং কম্মন পোলিসি অমা শেমদুনা চাইনানা দোমিনেট তৌনবা হোৎনরক্লিবা অসি থেংনগদবনি: জেন্স

মোনত্রিল, জুন ১৪ (এজেন্সী) :
ব্রুসেলসতা হৌজিক পাঙথোক্লিবা নোর্থ অটলান্টিক ট্রেটি ওর্গনাইজেসন (নেটো) গী সম্মিটতা শরুক য়াখিবা এলায়েন্স অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি জেন্স ষ্টোলটনবর্গনা ফোঙদোকখিবদা নেটোদা য়াওরিবা লৈবাকশিংনা কম্মন পোলিসি অমা শেমদুনা চাইনানা লম কয়াদা দোমিনেট তৌনবা হোৎনরক্লিবা অসি থেংনবগী মতম ওইরে।




মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মালেমগী ওইনা চাইনানা অনীশুবা দিফেন্সতা খ্বাইদগী শেনফম চাওনা থাদবা লৈবাক অমা ওইরি। মালেমগী ওইনা চাইনাগী নেভিনা খ্বাইদগী চাওবা অমদি মপাঙ্গল কনবা ওইরি। মখা তানা চাইনানা মিলিটরি মেটরিয়েলশিংগীদমক অহেনবা শেনফম কয়া থাদরক্লিবা অসিনা মরম ওইরগা অতোপ্পা লৈবাকশিংগী সেক্যুরিটিদা চাওনা অকায়বা পীরবা য়ানা লৈরি।

চাইনানা অতোপ্পা লৈবাকশিংগী ভেল্যুশিং সিয়ার তৌদে। মখোয় মশা খক্কী কান্ননবা য়েংলগা চাইনানা ঙসি ফাওবদা থবক তৌদুনা লাক্লি। চাইনানা হোং কোংবু নম্ফুদা লৌশিন্নবা হোৎনরি। মসিদা নত্তনা মাইনোরিটি গ্রুপ ওইরিবা উইঘুরশিংসু চাইনানা মপুং ফানা নমথনবা হোৎনরি।

চাইনানা চথরক্লিবা থবক থৌওংশিং অসি অতোপ্পা লৈবাকশিংনা খল্লোয়দবা ঙাক্তনি। মরম অদুনা নেটোদা য়াওরিবা লৈবাকশিংনা অনৌবা পোলিসি অমা দিভলপ তৌদুনা চাইনাগী ৱাখল্লোন অসিবু মায়থিবা পীবগী মতম ওইরে। লৈবাক অমা খক্তনা চাইনাবু নমথবা ঙম্লোই। মরম অদুনা নেটোগী লৈবাকশিংনা য়াম্না মুন্না ৱাখল খন্থবগী মতম ওইরে হায়রি।

# নেটো, ঈ য়ু সম্মিট য়াওনবগীদমক য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেন ব্রুসেলসতা থুংখ্রে

ব্রুসেলস, জুন ১৪ (এজেন্সী) :
য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন অমসুং নেটো মিলিটরি এলায়েন্সকী লুচিংবশিংগী নুমিৎ নীনিগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্কদৌরিবা অদুদা শরুক য়ানবগীদমক য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেন ঙরাং ব্রুসেলসতা থুংখ্রে।

বাইদেননা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট ওইরবা মতুং হন্দক চৎলিবা খোঙচৎ অসিনা মহাক্কী অহানবা ফোরেন খোঙচৎনি। বৃটেনদা পাঙথোকপা জি-৭ সম্মিট য়াওরবা মতুং বৃটেনদগী মহাক অমুক হন্না বেলজিয়মদা পাইশিনখিবনি। মহাক্না বেলজিয়মদা থুংলখিবা অদুবু বেলজিয়ন প্রাইম মিনিষ্টর অলেকজেন্দর দিক্রোনা তরাম্না ওকখি।

ব্রুসেলসতা থুংলবা মতুং প্রাইম মিনিষ্টর অলেকজেন্দরগা ৱারী ঙাইহাক শারবা মতুং মহাক ব্রুসেলসতা লৈবা য়ু এস এম্বেসিগীদমক খোঙশানখি। মহাক্না লৈবাক অদুদা থুংলখিবা অদুগা মরী লৈননা সেক্যুরিটিগী ওইবা চেকশিন থৌরাংশিংসু হান্নদগী হেন্না কনখৎহনখি। হৌজিক হৌজিক নেটো অমসুং অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী লাকখিবা লুচিংবা ২৮ ব্রুসেলসতা সম্মিট অদু য়াওনবগীদমক থুংলখ্রে। পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অদুদা অফঘানদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগী মতাংদা খন্নরবা য়াই হায়রি।

## কোভিদনা কা হেন্না শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases | Serious, Critical |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 176,771,889 | +64,199 | 3,820,734 | +1,305 | 160,832,066 | 12,119,089 | 85,005 |
| 1 | USA | 34,321,158 | | 615,053 | | 28,400,132 | 5,305,973 | 4,529 |
| 2 | India | 29,510,410 | +2,972 | 374,305 | +18 | 28,162,947 | 973,158 | 8,944 |
| 3 | Brazil | 17,413,996 | | 487,476 | | 15,794,548 | 1,131,972 | 8,318 |
| 4 | France | 5,740,665 | | 110,420 | | 5,495,475 | 134,770 | 2,106 |
| 5 | Turkey | 5,330,447 | | 48,721 | | 5,202,251 | 79,475 | 952 |
| 6 | Russia | 5,222,408 | +13,721 | 126,801 | +371 | 4,809,647 | 285,960 | 2,300 |
| 7 | UK | 4,565,813 | | 127,904 | | 4,287,870 | 150,039 | 158 |
| 8 | Italy | 4,244,872 | | 127,002 | | 3,957,557 | 160,313 | 565 |
| 9 | Argentina | 4,124,190 | | 85,343 | | 3,721,350 | 317,497 | 7,910 |
| 10 | Colombia | 3,753,224 | | 95,778 | | 3,477,656 | 179,790 | 8,155 |
| 11 | Spain | 3,733,600 | | 80,501 | | 3,509,730 | 143,369 | 966 |
| 12 | Germany | 3,723,294 | | 90,470 | | 3,580,600 | 52,224 | 1,598 |
| 13 | Iran | 3,028,717 | | 82,098 | | 2,652,792 | 293,827 | 3,483 |
| 14 | Poland | 2,877,608 | +140 | 74,574 | +1 | 2,648,859 | 154,175 | 303 |
| 15 | Mexico | 2,454,176 | +1,707 | 230,148 | +53 | 1,954,252 | 269,776 | 4,798 |
| 16 | Ukraine | 2,223,978 | +420 | 51,692 | +13 | 2,130,665 | 41,621 | 177 |
| 17 | Peru | 2,003,625 | | 188,708 | | N/A | N/A | 2,538 |
| 18 | Indonesia | 1,919,547 | +8,189 | 53,116 | +237 | 1,751,234 | 115,197 | |
| 19 | South Africa | 1,747,082 | | 57,765 | | 1,606,581 | 82,736 | 546 |
| 20 | Netherlands | 1,672,744 | | 17,711 | | 1,571,571 | 83,462 | 280 |
| 21 | Czechia | 1,665,139 | +42 | 30,226 | +1 | 1,630,429 | 4,484 | 22 |
| 22 | Chile | 1,476,473 | | 30,707 | | 1,399,187 | 46,579 | 3,292 |
| 23 | Canada | 1,402,128 | | 25,931 | | 1,359,240 | 16,957 | 725 |
| 24 | Philippines | 1,322,053 | +6,426 | 22,845 | +57 | 1,240,112 | 59,096 | 1,704 |
| 25 | Iraq | 1,254,643 | | 16,705 | | 1,172,227 | 65,711 | 487 |
| 26 | Sweden | 1,083,456 | | 14,537 | | 1,029,008 | 39,911 | 106 |
| 27 | Romania | 1,079,776 | +50 | 31,861 | +10 | 1,044,404 | 3,511 | 217 |
| 28 | Belgium | 1,076,338 | +573 | 25,088 | +7 | 1,003,023 | 48,227 | 274 |
| 29 | Pakistan | 942,189 | +1,019 | 21,723 | +34 | 878,740 | 41,726 | 2,676 |
| 30 | Portugal | 857,447 | | 17,047 | | 815,342 | 25,058 | 82 |
| 31 | Israel | 839,666 | | 6,430 | | 833,023 | 213 | 31 |
| 32 | Bangladesh | 826,922 | | 13,118 | | 766,266 | 47,538 | 1,173 |
| 33 | Hungary | 807,045 | +255 | 29,925 | +21 | 730,588 | 46,532 | 47 |
| 34 | Japan | 775,231 | +1,386 | 14,071 | +38 | 730,446 | 30,714 | 849 |
| 35 | Jordan | 743,331 | | 9,592 | | 726,219 | 7,520 | 540 |
| 36 | Serbia | 714,891 | | 6,962 | | 703,771 | 4,158 | 23 |
| 37 | Switzerland | 700,735 | +684 | 10,859 | | 668,678 | 21,198 | 86 |
| 38 | Malaysia | 662,457 | +4,949 | 3,968 | +60 | 586,864 | 71,625 | 921 |
| 39 | Austria | 648,620 | | 10,661 | | 633,939 | 4,020 | 102 |
| 40 | Nepal | 610,521 | +2,049 | 8,465 | +53 | 536,252 | 65,804 | |
| 41 | UAE | 599,823 | +1,837 | 1,730 | +4 | 579,045 | 19,048 | |
| 42 | Lebanon | 542,604 | | 7,798 | | 527,174 | 7,632 | 78 |
| 43 | Morocco | 523,890 | | 9,211 | | 511,126 | 3,553 | 106 |
| 44 | Saudi Arabia | 465,797 | | 7,572 | | 448,093 | 10,132 | 1,575 |
| 45 | Ecuador | 438,934 | | 21,048 | | 398,645 | 19,241 | 455 |
| 46 | Bulgaria | 420,336 | | 17,900 | | 389,495 | 12,941 | 247 |
| 47 | Greece | 414,933 | | 12,419 | | 391,761 | 10,753 | 358 |
| 48 | Bolivia | 406,954 | +1,607 | 15,542 | +57 | 321,665 | 69,747 | 200 |
| 49 | Belarus | 406,360 | +697 | 2,987 | +9 | 399,174 | 4,199 | |
| 50 | Kazakhstan | 402,239 | +967 | 4,171 | +11 | 377,642 | 20,426 | |

## ইরানদা থল্লম্বা অথিংবা খরা লৌথোকপদা য়ানখ্রে

টেহরান, জুন ১৪ (এজেন্সী) :
ৱর্ল্ড পৱারশিংগা কুমজা ২০১৫ দা তৌনখিবা ন্যুক্লিয়র দিল অমুক হিংগৎনবা ৱারী শান্নরিবা অসিগা মরী লৈননা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ইরানগী মথক্তা থল্লম্বা অথিংবা খরা লৌথোকপদা য়ানবা পুরকখ্রে হায়না ইরান ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাঙলোয় সহিদ খাদিব জাদেনা ফোঙদোরকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ইনর্জি য়াওনা ইন্দষ্ট্রিয়েল সেক্তরশিংদগী অথিংবশিং লৌথোকপদা য়ানখিবনি। ইরাননা মখোয়গী থাউ অতোপ্পা লৈবাক্তা থাদোকপা মতমদা য়ু এসনা অথিংবা কয়া থমজিনখিবা অদুনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিগী ইকনমিগী ফীভমদা চাওনা চৈথেং ফংদুনা লাকখিবনি। হৌজিকসু য়ু এসনা ইরানগী মথক্তা থল্লিবা অথিংবা খুদিংমক মপুং ফানা লৌথোক্কনি হায়বগী থাজবা পীরবদি কুমজা ২০১৫ দা তৌনখিবা ন্যুক্লিয়র দিল অদু অমুক হিংগৎহনবদা মতম চঙগনি। য়ু এসনা চহী অহুমলোমগী মমাংদা থাদোক্লম্লবা কুমজা ২০১৫ গী এগ্রিমেন্ট অসিদা ৱর্ল্ড পৱারশিংনা রিভাইব তৌহন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি। পনবা য়াবদি য়ু এসনা হান্না প্রসিদেন্ট ওইরম্বা দোনাল্ড ত্রম্পনা কুমজা ২০১৫ দা তৌনখিবা ন্যুক্লিয়র দিল অদুদগী তোক্লবা মতুং ইরানগী মথক্তা অথিংবা কয়া থমদুনা লাকখিবনি। ইরাননসু য়ু এসকী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা য়ুরেনিয়ম প্রদক্ট চাং হেন্না পুথোকখিবনি।

## মীয়াম তিনবা মফমদা গাড়ী থৌজিল্লকপদগী মীওই ১ শিরে

মিনিপোলিস, জুন ১৪ (এজেন্সী) :
য়ু এস মার্সেলনা কুচু মুবা মীওই অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মশীং য়াল্লবা মীয়াম্না খোঙজং চঙশিল্লিঙৈ মরক্তা মীওই অমনা মীয়াম মরক তম্না গাড়ী থৌজিল্লকখিবগী থৌদোক্তা নুপী অমা শিখিবগা লোয়ননা অহুম অশোক অপন নংখ্রে হায়না পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

পুলিস ওফিসরশিংনা ফোঙদোকখিবদা মিনিপোলিসতা মীয়াম্না খোঙজং চঙশিল্লিঙৈ মরক্তা ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাশিল্লগা গাড়ী থৌদুনা লাকখিবা মীওই অমনা মহাক্না থৌরিবা গাড়ী অদু কন্ট্রোল তৌবা ঙমদবদগী মীয়াম তম্না থৌজিনখিবনি। থৌদোক্তুদা খোইশাওনরবা খোঙজংলোয়শিং অদুনা গাড়ী থৌরক্লিবা মীওই অদুবু গাড়ীদগী চিংথোক্তুনা ফুবগী থবক চথবা হৌখি। অদুমওইনমক পুলিস ওফিসলশিংনা মতম চানা মফমদুদা চঙশিন্দুনা মীওই অদু মীয়াম মরক্তগী পুথোরক্তুনা কষ্টদিদা থমখ্রে হায়রি।

থৌদোক্তুদা নুপী অমা ফীভম লুনা শোকপদগী খুদক্তা মনাক নকপা হোস্পিটাল অমদা পুদুনা ট্রিটমেন্ট চথনবগীদমক পুখৎখি। অদুবু ফীভম কা হেন্না শোকখিবনা মরম ওইরগা নুপী অদু লায়কন্নবা ঙমদনা শিখিবনি। অমরোমদা মীয়াম্না ফুবদগী শোক্লবা গাড়ী দ্রাইভর অদুসু হোস্পিটালদা পুখত্তুনা ট্রিটমেন্ট চথখ্রে হায়রি। পনবা য়াবদি থা অসিগী ৩ দা য়ু এস মার্সেলসনা কুচু মুবা স্মিট কৌবা মীওই অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি।

## মাইগ্রেন্ট ২৫ গী হকচাং রিকোভর তৌবা ঙমখ্রে

সানা, জুন ১৪ (এজেন্সী) :
হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা য়েমেনদা মাইগ্রেন্ট ২০০ রোম পুদুনা লাকখিবা হি অমা মথকমখা ওনখিবগী থৌদোক্তা থিবা ফংদনা লাকখিবা মীওই ২৫ গী হকচাং ঙসি রিকোভর তৌবা ঙমখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

প্রোভিন্সিয়েল ওফিসলনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না ঙা ফাবা মীওইশিংনা অশিবা হকচাংশিং অদু থেংনরকখিবনি। য়েমেনগী খা থংবা শরুক্তা লৈবা ঙামীশিং অদুনা ঙসি অয়ুক অঙনবদা ঙা ফাবা চৎপদা মীওইবগী অশিবা হকচাংশিং তাওদুনা লৈরম্বা থেংনরকখিবনি। খুদক্তা ঙামীশিং অদুনা পুলিস দিপার্টমেন্টতা থৌদোক অদুগী মতাংদা পাউ পীরবা মতুং ফায়র সার্ভিসকী ষ্টাফশিং য়াওনা পুলিসশিংনা হকচাংশিং অদুবু ঈশিংদগী লৌখৎখিবনি। পনবা য়াবদি য়েমেনগী ঈথৎশিংদা হি লাকশিনবগী থৌদোকশিংনা মী শিহনবগী থৌদোক তোয়না থোক্লি।

# ম্যান্মারদা মশীং য়াম্লবা মীয়াম্না জুন্টাগী মায়োক্তা রোহিংজাশিংবু সোলিদরিটি উত্তুনা অকনবা খোঙজংশিং চঙশিনখ্রে

য়াঙোন, জুন ১৪ (এজেন্সী) :
ম্যান্মারদা হৌজিক লৈরিবা জুন্টানা চথরিবা কা হেনবা থবক থৌওংশিংবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা অমদি ম্যান্মার মিলিটরিনা কা হেন্না চৈথেং পীখ্রবা রোহিংজা মুস্লিমশিংগী মফমদা সোলিদরিটি উৎপা ওইনা লৈবাক অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মীয়াম্না খোঙজং চঙশিনখ্রে।



হৌখিবা ফেব্রুৱারী অমদগী লৈবাক অদুগী মীয়ামগী লুচিংবী ওং সান সু চিবু মিলিটরি মফমদগী লৌথোকখ্রবা মতুং নোংমা কাংদনা মীয়ামগী ওইবা খোঙজংশিং মিলিটরিগী মায়োক্তা চঙশিন্দুনা লাক্লি। ম্যান্মারদা লৈরিবা ইথনিক গ্রুপশিংনা মিলিটরিগী অহেনবা চৈথেংশিং ফংলি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৭ তা ম্যান্মারগী রখিন ষ্টেটতা ম্যান্মার মিলিটরিনা চথখিবা ওৎ নৈবগী থৌদোকশিংনা মরম ওইরগা রোহিংজা মুস্লিম ৭,৪০,০০০ হেন্না ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেনহনখি। কয়া অমনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখি। মদুদা নত্তনা নুপী ওইবীশিংবু নমজা নমথেকপীবগী থৌদোকশিংসু পাক শন্না চথখি। মিলিটরিগী কা হেনবা থৌওংশিং অদু খাংবা ঙমদবদগী য়ুমথংনরিবা লৈবাক বংলাদেশতা রোহিংজা মুস্লিম কয়া চঙজফম লৌদুনা লৈখিবনি।

মতমদুদা চথখিবা থৌওংশিং অদু মিলিটরিগী মায়কৈদগী লোনা য়াদবা মওংদা খূৎলাই পায়দুনা লালহৌরিবা গ্রুপশিং অদুবু মরু ফংনা মুথৎনবা হোৎনবনি হায়না ফোঙদোকখিবনি। মীয়ামগী লুচিংবী ওং সান সু চিনসু মিলিটরিগী থৌওং অদুবু মতমদুদা দিফেন্স তৌদুনা লাকখিবনি।

অমরোমদা ঙরাং চঙশিনখিবা খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা ম্যান্মারগী মমিং লৈরবা রাইটস এক্তিভিষ্ট থিনজা সুনলৈ য়িনা ফোঙদোকখিবদা ম্যান্মারদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক চপ মান্নবা ঙাক্তনি। মীপুম খুদিংমক্না মখোয়গী অচুম্বা ৱায়েল ফংনবা হোৎনবদা মতেং পাংবা মথৌ তাই। রোহিংজা মুস্লিমশিংদা থোক্লিবা থৌদোক অদু লাইবকথিবনি। মখা তানা অসিগুম্বা থৌদোকশিং লমদম অসিদা অমুক হন্না থোক্তবা ওইরসনু হায়রি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ম্যান্মারদা থোক্লিবা তংদু লৈতাদবগী ৱাথোক অসি লোয়শিন্নবা ইন্তরনেস্নেল কম্যুনিটিশিংগী মায়কৈদগী য়াম্না তোয়না ফোঙদোক্নরক্লি। লোয়ননা রোহিংজাশিংদা হান্না অতোপ্পা ফুরুপশিংনা তাথি তাওইনা তৌখিবশিং অদুগীদমক লাল্লে হায়জরক্লিবা অসি খ্বাইদগী লাইবক ফবনি হায়রি।